# তেলৌ সোসাইটি ফুটবোল ট্রোফি ঃ ও এন ৱাই সি অমদি এফ সি লম্লাই (বি) দ্রো চৎখ্রে , সেক্তা (বি) মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
ইষ্ট্রন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা ই য়ু এস সিগী গ্রাউন্দা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ৩১ না গ্রুপ– ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ১৪ শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি লম্লাই অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ও এন ৱাই সি , ও কে এস য়ু নিংথেমচা খুল অমদি এফ সি লম্লাই (বি) দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সেক্তা (বি) মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৪ শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা ও এন ৱাই সি নিংথেমচা খুল অমদি এফ সি লম্লাই (বি) গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা ও এন ৱাই সি নিংথেমচা খুলনা বোল হেনা পায়রগা শান্দুনা এফ সি লম্লাই (বি)গী মায়কৈদা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পীশিনখি।

ও এন ৱাই সিগী প্রেসরশিং অদু এফ সি লম্লাই (বি)না নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী তাঞ্জা লৌদুনা ও এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৪ রোহিটনা মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ও এন ৱাই সিগী অনীশুবা গোল অদু মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুংগী মিনট ৭ কান্নরগা মিনট ১২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ নোংশাবনা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা গোল শোত্থরিবা এফ সি লম্লাই (বি)না শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা অতেনবা মিনটশিংদা ও এন ৱাই সিবু চপ চানা শীংন্নরক্তুনা শান্নরকখি।

মদুগী মমল য়াম্লবা মৗহে অদু ফংদুনা এফ সি লম্লাই (বি)গী জর্সি নম্বর ১০ নাওথোইনা মেটচকী মিনট ২২ দা অহানবা অদুগা মিনট ২ করন্নরগা মিনট ২৪ দা জর্সি নম্বর ১১ প্রেমসননা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ২–২ দা মান্না লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৩৩ চৎপদা ও এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১১ প্রেমনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখ্রবসু এফ সি লম্লাই (বি)গী প্রেমসননা মিনট ৩৯ চৎপদা শোত্থরিবা গোল অদু অমুক হন্দোক্লগা ৩–৩ দা লৈদুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কলহৌদুনা মেটচ অসি দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা এফ সি লম্লাই (বি)গী জর্সি নম্বর ৭ সনাথোই দল্লল কোসন বুক তৌদুনা মেটচকী মপালদা থোকহনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ১০ নাওথোই,ও এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৭ কিসন অমদি জর্সি নম্বর ১৭ রাহুলদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

৪৫ শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা সেক্তা (বি) না ই য়ু এস সি (বি) তেলৌবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মিনট ৬ চৎপদা সেক্তা (বি)গী জর্সি নম্বর ১০ বসন্তনা মেটচকী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু থংন্নবা মিনট ৭ তা ই য়ু এস সি (বি)গী জর্সি নম্বর ৭ রোমেসচন্দ্রনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা ১–১ দা মবান্না লৈখি।

সেক্তা (বি)গী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৬ জোন্সননা মিনট ১৬ চৎপদা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। ই য়ু এস সি (বি) গী জর্সি নম্বর ১৬ লনচেনবনা মিনট ১৯ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা অমুক মান্না লৈখি।

গোল মান্না লৈরবা মতুংদা সেক্তা (বি) না মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎন্নরক্তুনা এটেক হেনজিলক্তুনা জর্সি নম্বর ৮ বিশেশ্বরনা মিনট ২০ চৎপদা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থারকখি।

সেক্তা (বি)গী মরিশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ বসন্তনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা চন্দুনা সেক্তানা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এফ সি লম্লাই (এ) অমদি ৱাই এস সি লৌশাংখোংগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ই য়ু এস সি (এ) তেলৌ অমদি লক্কী ষ্টার অচানবীগেগা শান্নগনি।

# এ স্কৱার পাৎসোই অমদি জি ফাইব হৈরোক মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
তেন্থা খোঙবান ৱেল ফিয়ার এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিউ এল) তেন্থা খোঙবাননা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ১২ দগী মল্টিপেক্স গ্রাউন্দা তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ–১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা টি কে দব্লিউ এ ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ স্কৱর পাৎসোই অমদি জি ফাইব হৈরোক পায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা এ স্কৱার পাৎসোই অমদি টি ক্যু সি তেন্থানা শান্নখিবা মেটচতা এ স্কৱার পাৎসোইনা টি ক্যু সি তেন্থাবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদা এ স্কৱার পাৎসোইনা টি ক্যু সি তেন্থাবু লাকশিন্না শান্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্নবা হোৎন্নরকখি।

মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা এ স্কৱার পাৎসোইগী জর্সি নম্বর ১২ ইনাওতোননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপকৎখি।

টি ক্যু সি তেন্থানা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা এ স্কৱার পাৎসোইগী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হনা চায়েং তৌখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২৪ চৎপদা টি ক্যু সি তেন্থাগী জর্সি নম্বর ১২ জলেটনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈখ্রবসু থংন্নবা মিনট ২৫ দা এ স্কৱার পাৎসোইগী জর্সি নম্বর ৫ তোনদোনবনা গোল ১ হাপচিন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা পাৎসোইনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অতেনবা মিনট ৪ দা টিমশিংনা গোল ৩ চন্দুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চীংশিনখি। অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৩৩ দা পাৎসোইগী জর্সি নম্বর ৭ নোংঙানবনা মহাক্কী টিমগী ৩শুবা গোল চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

তেন্থাগী অনীশুবা গোল অদু পাৎসোইগী নোংঙানবনা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৩৬ তা জর্সি নম্বর ৯ রহামননা গোল হন্দোক্লগা ৩–২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎন্নরবসু পাৎসোইগী তোনদোনবনা মিনট ৩৭ চৎপদা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী ৪শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৪–২ দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা এ স্কৱার পাৎসোইগী জর্সি নম্বর ৬ ক্লিনট অমদি টি ক্যু সি তেন্থাগী জর্সি নম্বর ৯ রাহমনদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা জি ফাইব হৈরোক অমদি এফ সি সভেন এম আর খবৈশোইনা শান্নখিবা মেটচতা জি ফাইব হৈরোকনা এফ সি সভেন এম আর খাবৈশোইবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা সিতলজিৎনা গোল ১,অনীশুবা হাল্ফতা ওকেন অমদি অরুননা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা জি ফাইব হৈরোকনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্দ হাঙনবা হোৎন্দুনা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অদুবু অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই মেটচকী মিনট ২৪ চৎপদা এফ সি সভেন এম আরগী অহোবগী তাঞ্জা লৌদুনা হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ১১ সিতলনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু গোল মাঙজিল থারিবা জি ফাইব হৈরোকনা অদুমক বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিনবা হোৎন্নরকখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ ওকেননা মেটচকী মিনট ২৮ চৎপদা চনখি। অদুগা অহুমশুবা গোল অদুনা মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৩১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ অরুননা চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি। মেটচ অসিদা জি ফাইব হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ৩ সঞ্জুদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

হয়েং মমি থৱান অমদি তাম এফ সিনা অহানবা মেটচ অদুগা সি পি সি অমদি লিসবোননা ২শুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# ইবুঙোয়াইমা ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্টতা মৈরা বাশিখোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ভেটরান হোক্কী এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম ওঙবী লীয়োনি দেবী মোমোরিয়েল ট্রস,খুয়াথোংনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টিদিয়মদা থা অসিগী ৩ দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুঙোয়াইমা সিংহ নীংশিং মেন্স ভেটরান হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বশিখোং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বশিখোংনা ৱাই এ সি য়াইস্কুলবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদি টিম অনীনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙম্মাখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা মৈরা বশিখোংনা লাকশিনা শান্দুনা গোল ৩ চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ গুনামনিনা মিনট ২৪ অমদি ২৮ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অমাদুনা জর্সি নম্বর ৮ সুশিলনা মিনট ২৬ তা চনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা য়াইস্কুলনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা ক্বার্টর অসিদা গোল ২ হন্দোকখি অদুগা মৈরানা গোল অমা হাপচিনখি।

ক্বার্টর অসিদা চনখিবা য়াইস্কুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এস তরুননা মিনট ৩৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ সি ঐচ সঞ্জিৎনা মিনট ৪৪ দা চনখি অদুগা মৈরাগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ বিরজিৎনা মিনট ৩৩ চৎপদা চনখি। অরোইবা ৪শুবা ক্বার্টরদা মৈরাগী গুনমনিনা মিনট ৫১ অমদি ৱাই এস সিগী সন্তাকুমারনা মিনট ৫৪ দা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা মৈরাগী জর্সি নম্বর ১৩ ও সিঙাহজিৎনা তাখি।

# পবজি অমদি এন এফ সি সেমি চঙখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর,এফ এফ সি অঙথনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরকপা অহানবা য়ুমলেম্বম বিজেন সিংহ মেমোরিয়েল ভিলেজ ওপন ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা পবজি অঙথা অমদি এন এফ সি নোঙব্রম মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা পবজি অঙথানা লঙাথেন এফ সিবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ কে রোক্কিনা মিনট ২১,২৫,২৬,৪৯ অমদি ৫০ চৎপদা গোল ৫ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায়থিরবা লাঙথেন এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ বিদিটদতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শানবগী য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টকী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা এন এফ সি নোঙব্রম অমদি ৱাই দি এ উখোংশাংনা শান্নখিবা মেটচতা এন এফ সি নোঙব্রমনা ৱাই দি এ উখোংশাংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদি টিম অনীনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরবসু ঙম্নবদগী গোল চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

মায় পাক্লবা এন এফ সি নোঙব্রমগী গোল অহুম অদু জর্সি নম্বর ২ এল ইরাবটনা মেটচকী মিনট ৩০ দা অহানবা গোল,মিনট ৩৭ চৎপদা অনীশুবা গোল অদুগা মিনট ৪৯ চৎপদা মহাক্কী হেদ ট্রিককী অহুমশুবা গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা এন এফ সি নোঙব্রমগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ সুরেস,জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ জেনিস,ৱাই দি এ উখোংশংগী জর্সি নম্বর ১২ এস সোমেন্দ্রো,জর্সি নম্বর ১০ কে ঐজ সুশিল অমদি জর্সি নম্বর ৪ সি ঐচ গোবিনদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# ইপূথৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এ স্কৱার পাৎসোই শান্নবা লাকখিদ্রে

ইম্ফাল,জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব করামনা শীন্দুনা করাম কাঙজেবুং লম্পাক্তা মমাঙ থাগী ১৯ দগী টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূথৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ স্কৱার পাৎসোই শান্নবা লাকখিদ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মঙাল এফ সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ২৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা হেমন্তা এফ সি অমদি এ স্কৱার পাৎসোইনা শানগদবা মেটচতা এ স্কৱার পাৎসোই শানবা লাকত্তবদগী টুর্নামেন্টকী ওর্গাইজিং কম্মিটিনা হেমন্তা এফ সিদা ৱাক ওভর পীখ্রে।

৩০ শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা মঙাল এফ সি অমদি আই ৱাই সিনা শান্নখিবা মেটচতা মঙাল এফ সিনা আই ৱাই সিবু য়াম লাকচন্না গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মায় পাক্লবা মঙাল এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৬ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ তোম্বরনা মিনট ৩,জর্সি নম্বর ৭ কিরননা মিনট ৫,৮ অমদি৪ ১০ দা গোল অহুম,জর্সি নম্বর ১৩ কে ঐচ সিতলজিৎনা মিনট ১৬, ২৬ তা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ লেল্লিননা মিনট ১৭ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এস তোম্বরনা মিনট ৩০ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা আই ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ নোংলিকনা মেটচকী মিনট ২১ চৎপদা চনখি।

# হোম সিজন পেক লাওথোকখ্রে

মুম্বাই, জুন ৩ (এস এন এস) ঃ
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই)না কুমজা ২০১৯–২০ দা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমনা শান্নগদবা হোম সিজন পেক লাওথোকখ্রে।

হোম সিজন অসি চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৫ দগী শান্নবা হৌগনি। সিজন অসিগী অহানবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রিদম ট্রোফি (গান্ধী–মন্দেলা সেরিজ)দা সাউঠ অফ্রিকাগা টি–২০ মেটচ অনী শান্নরবা মতুং টেষ্ট মেটচ ৩ শান্নগনি।

হোম সিজন পেক অসিগী অনীশুবা সেরিজতা ইন্দিয়াগী নুপপা ক্রিকেট টিমনা বাংলাদেসকা চহী অসিগী নবেম্বর ৩ দগী হৌরগা টি –২০ মেটচ ৩ অমদি টেষ্ট মেটচ ২ শান্নগনি।

দিসেম্বর ৬তগী হৌরগা ৱেষ্ট ইন্দিসকা সেরিজ শান্নরবা মতুং কুমজা ২০২০ দা জিম্বাবে,ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সাউঠ অফ্রিকাগা সেরিজ শান্নগনি।

IPS,CANCHIPUR
IPS SCIENCE & ARTS GROUP
ADMISSION OPENS FOR 2019
FOR CLASS XI
BOTH SCHOOL AND HOSTEL
RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM
FEATURES :
1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES
Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.
Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.
FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS
OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO



APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
Phy, Chem, Bio, Maths, Eng, C.Sc, Home Sc.
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST/ SC / Govt. School / Hosteller/ MOBC -Students
Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Special Facilities:
Class- X & XII Toppers
Meritorious Students
SC/SC/MOBC/OBC Students
NEET-2018 & 2019 Aspirants
Students may admit only one Subject also
Hostel Fee- Rs 4000/- only ( Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm
8258013846
Form Issue 05/05/2019 | Class Start 06/06/2019 | Class Timing 4:30pm- 7:30pm
Form Issue 13th May 2019 | Last Date 25th June 2019 | Class Start 1st Week of July
Please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001

CHAOKHAT KHONGTHANG
LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজৈ
Pliz Contact: 7005162621
SL / B / M / Packd.
Consolation Prizes
Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com